# সিরিয়াদা এয়রষ্ট্রাইক অমসুং এন্থুশতা মীচম অনী, লান্মী ১৩ শিরে

দমাস্কস, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):
ইজরেলনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিরিয়াগী কেপিটেল দমাস্কসকা নক্লনা লৈবা মিলিটরি পোজিসনশিং তন্না মিসাইল কয়া কাপশিনখিবদা মীচম অনী শিখ্রে অমসুং অমাঙ অতা কয়া থোকখ্রে হায়না সিরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।



মদু প্রসিদেন্ট বাসর অসাদ শৌগৎপা মরু ওইবা লৈবাক অমা ওইরিবা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান দাবদগী ইজরেলনা সিরিয়া মনুংদা এটেক্ট চথরকপা অহানবনি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি য়ুমথংনরিবা লেবাননগী নোংথক্তা পায়খিবা ইজরেল্লি ৱার প্লেনশিংনা সিরিয়া তন্না মিসাইল কয়া কাপশিল্লকখি। সিরিয়ন এয়র দিফেন্সনা মিসাইল অয়ান্বা লম্মখাংদা কাপথখি।

তৌইগুম্বসুং সিভিলিয়নশিং অদু করম্না শিখিবনো নত্ত্রগা অতৈ মখা তাবা অকুপ্পশিংদি দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখিদে। ইজরেলগী মায়কৈদগী এটেক্ট অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট অমত্তা পীরকখিদে।

মহৌশানা অসিগুম্বা ওপরেসনশিং ইজরেলনা একনোলোজ তৌদে। তৌইগুম্বসুং সিরিয়াদা সিভিল ৱার থোক্লিঙৈ হৌখিবা চহী তরাগী মতমদা ইজরেলনা গভর্নমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা সিরিয়াগী মফম কয়াদা লৈবা টার্গেটশিংদা মিসাইল ষ্ট্রাইক চা কয়া চথখি। সিরিয়াদা সেক্যুরিটি কোওর্দিনেসনগী মতাংদা ইজরেলনা রসিয়াগী মপান তাংদুনা লৈরি। লৈবাক অসিদা রসিয়ন মিলিটরি ফোর্স লিংনা লৈবনা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টরনা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা মিদ্দল গ্রাউন্দ থিদুনা লৈরি।

ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর নাফটালি বেনেটনা থাজনিংঙাই ওইদবা মওং অমদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা ৱাতেন্বগী থৌদাং লৌবা হৌখ্রবনি।

রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা লান্দাদুনা হৌজিক লান অমা থোক্লিঙৈ মরকসিদা ইজরেলনা সিরিয়াগী টার্গেটশিং মরু ওইনা কেপিটেল দমাস্কস মনাক্তা এটেক্ট তৌবসি নিংথৌকাবা নুমিৎকীসিনা অহানবনি। নুমিৎ অসিদা কেপিটেল মনাক্তা চথখিবা অতোপ্পা ইজরেল্লি এটেক্ট অমদা সিরিয়ন লান্মী ১৬ সু শিখি।

ইজরেলনা হায়রি, মদুদি লৈবাক অসিনা সিরিয়া মনুংদা টার্গেট তৌরিবসি মরু ওইনা লৈবাক অসিগী সিভিল ৱারদা প্রসিদেন্ট বাসর অসাদকী ফোর্সশিংদা মতেং পাঙলিবা ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা লেবাননগী হেজবুল্লাহগুম্বা মিলিসিয়াশিংগী বেজশিংদনি।

চৈরকসিদা, সিরিয়াগী সেন্ট্রেল প্রোভিন্স হোমসতা বস অমদা চথরকখিবা এন্থুশতা মদুদা তোংলকপা লান্মী ১৩ শিখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।

হোমস প্রোভিন্সকী খুঙ্গংগী এরিয়া মনুং চনবা পালমিরাদা চথখিবা এন্থুশতা শিখিবা লান্মীশিং অদুগী মনুংদা ওফিসার কয়াসু য়াওখি। তোঙান তোঙানবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা পাঙথোকখিবা টেরোরিষ্ট এটেক্ট অদুদা অতৈ লান্মী ১৮ সু অশোক অপন নঙখি হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অদুনা মখা তারি।

ষ্টেট মেদিয়া রিপোর্টতা করম্বা গ্রুপ নত্ত্রগা ইন্দিভিজুয়েলনা এটেক্ট অদু চথখিবনো হায়বদি পনখিদে। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা এন্থুশশিং হৌজিকসু লৈকংলাগী লমদমদা এক্তিব ওইদুনা লৈরিবা ইস্লামিক ষ্টেট (আইএস টেটর গ্রুপ) কী মশিং য়ামদ্রবা মিলিটেন্ট খরনা তোয়না পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

চৈরকসিদা এন্থুশ অদুদা শিখিবা পার্সনেল মশিং ১৫ নি হায়না সিরিয়ন ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখ্রে।

গ্রুপ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অশোকপা অয়াম্বা ফিভম লুনা লৈবনা থৌদোক অদুদা শিবা মী মশিং হেনগৎলকপা য়াই।

এটেক্ট অদু ইস্লামিক ষ্টেটনা হোমস প্রোভিন্সকী লৈকংলাগী লমদমদা বেজ তৌবা সিরিয়ান আর্মিগী মায়োক্তা পরিং নাইনা চথরকখিবা এটেক্টশিংদা খ্বাইদগী নৌবনি।

হৌখিবা জনুৱারীদা আইএসনা পলমিরাগী মনাক্তা মিলিটরি বস অমদা চথখিবা মান্নবা এটেক্ট অমদা লান্মী মঙা শিখিবগা লোয়নননা অতৈ লান্মী ২০ অশোক অপন নঙখিবনি হায়রি।

# পুটিনগী ময়েং তারবা ফোর্সশিং য়ুক্রেনদা মায়থীবা নঙবা য়াই: য়ুকেগী তোপ জেনরেল

লন্দন, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):
রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী হৌজিক্তি মশিং হন্থরবা ফোর্সশিং য়ুক্রেনগী লানদা মায়থীবা নঙবা য়াই হায়না য়ুকেগী চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ টোনি রধাকিননা ফোঙদোকখ্রে।



দেলি মেলনা রধাকিনগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, য়ুক্রেনদা লান্দারিবা রসিয়াগী ট্রুপশিং কাং খোং চাইবগী ফিভমদা লৈরে। চথরিবা মিলিটরি কন্টেন্ট অদু মওং মরিল তারক্ত্রে।

মহাক্না পীরিবা কম্মেন্ট অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা কনফ্লিক্ট অদু করম্না লোইশিল্লক্কদগে হায়বগী মতাংদা নাটো লৈবাকশিংগী মীৎয়েংদা খ্বাইদগী হেন্না পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়না লৌবা য়ারবসু হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবা নুমিৎ অমদা ফোঙদোরকপনি।

লাঞ্জেল্লিবা ইমুং কয়াদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপশিনখিবা নুমিৎতা জেনরেল অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবদা পুং খরগী মনুংদা রসিয়াগী টেঙ্কশিং কেপিটেল কিভতা অয়েৎ অপন লৈতনা শোয়দনা চঙশিনবা য়াগনি হায়না রসিয়নশিংনা থাজখি।

তৌইগুম্বসুং ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইবা অশোয়বা কয়া অমদি লানফমদা য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপশিংনা রসিয়ন ফোর্সশিংবু থৌনা লৈনা থেংনখিবনা হৌজিক পুটিনগী কেম্পেইন অদু করি ফিভমদা লাক্কদগে হায়বসি চিংননিংঙাই ওইরি।

হৌখিবা চহীগী অথেঙবা শরুক্তা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ হাপখিবা রোয়েল নেভিগী মকোক ওইরম্বা রধাকিননা ৱাফম অসি ফোঙদোরক্লিবসি পুং ২৪ গী মনুংদা য়ুক্রেনিয়ন দিফেন্দরশিংনা রসিয়ন এয়রক্রাফট নিপান কাপথখিবা মতুংদনি।

রসিয়নশিংনা মখোয়গী মিলিটরি দোক্ট্রিনগী ওন্ন-তৈনবদা মখোয়গী লান্মী ৫০০ হেন্না শিরে হায়বসিসু য়াজখ্রে। দেলি মেলগী রিপোর্ট অদুনা হায়রি, মদুদি খ্বাইদগী হেন্না ইকায়নিংঙাই ওইবা মওং অমদা রসিয়ন মিলিটরি ভেহিকল চা কয়া অমসুং ট্রুপ লিশিং ১৫ য়াওবা কনভোই অমা হৌজিক য়ুক্রেনিয়ন রেজিষ্টেন্সনা মরম ওইদুনা মখোয়না পাল্লিবা মওংদা চঙশিনবা ঙমদনা লৈখ্রে।

# সিভিলিয়নশিং লানদগী নান্থোকপা য়ানবা মফম খরদা লান লেপকদৌরি

মোস্কো, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):
সিভিলিয়নশিং লানদগী নান্থোকহন্নবগীদমক অয়ুক পুং ১০ (লোকেল মতম) দগী য়ুক্রেনগী সিটি খরদা খুৎলায় থাবা লেপ্তুনা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোরশিং হাংলগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা রসিয়ান আর্মদ ফোর্সেসনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগী মিলিটরিগী মতুং ইন্না ৱারেপ অদু ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমানুএল মেক্রোননা রসিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবা ব্লাদিমির পুটিনদা হায়জবদগী লৌখিবনি হায়না স্পুটনিক ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা রসিয়ন মিলিটরিনা হায়, কিভ, খর্কোভ, সুমি অমসুং মরিওপোল সিটিশিংদা মীয়াম্না অৱা অনা পাক শন্না নঙলকপা অমদি ফ্রেন্স প্রসিদেন্ট ইমানুএল মেক্রোননা রসিয়ন ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনদা পার্সনেল ওইনা হায়জবদগী রসিয়ান আর্মদ ফোর্সেসনা সিজ ফায়র লাউথোকপগা লোয়ননা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোরশিং হাংলে।

মথক্তা পল্লিবা সিটি মরি অসি রসিয়ান ফোর্সশিংনা অকনবা মওংদা হৌজিক এসোল্ট চথুরি হায়না বিবিসিগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি।

অদুম ওইনমক য়ুক্রেনগী ওথোরিটিশিংনদি মসিগী খোঙথাং অসি কনফার্ম তৌরকখিদে। বিবিসিগী রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, হৌখিবা চয়োলদা সিভিলিয়নশিংবু মরিওপোলদগী হোন্দোকপা য়ানবা হাংখিবা লম্বী অমা মতম শাংনা শীজিন্নবা য়াখিদে। মদু নাকল অনীগী মরক্তা অমনা অমবু সিজ ফায়র থুগায়বগী মরাল শীংনরদুনা মখা তানা খুৎ থান্নরকপদগীনি।

য়ুক্রেনিয়ন ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখিবদা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোরশিং শীজিন্নদুনা সিভিলিয়নশিং লান শোক্লরিবা মফমশিংদগী চেন্থোকপা য়াখিদবদু রসিয়ানা সিটি অদুদা মখা তানা সেল কাপ্পকপদগীনি।

চৈরকসিদা মোস্কোনা শৌগৎপা নোংপোক থংবা দোনবাস রিজনদা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা রসিয়ন ট্রুপশিংগা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লরি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুক্রেনগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা ফোঙদোকখ্রে।

# য়ুএস ষ্টেট আইওৱাদা টোর্নেদোনা মীওই ৭ শিহনখ্রে

ৱাশিংটন মার্চ ০৭ (এজেন্সী):
য়ুএসকী আইওৱা ষ্টেটতা মতিক ময়াই লৈরবা টোর্নেদো অমা শিৎচিল্লকখিবদা কাউন্টি কয়াদা অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই তরেৎ শিখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।



লোকেল ইন্মর্জেন্সি এজেন্সিগী মতুং ইন্না মাদিসন কাউন্টিদা অঙাং অনী য়াওনা মীওই তরুক শিখি অমসুং অতৈ মরি অশোক অপন নঙখি। কাউন্টি অদুদা য়ামদ্রবদা য়ুম তরা হেন্না অমাঙ অতা থোকখি।

লুকাস কাউন্টিগা নক্লবা রুরেল এরিয়া অমদা লৈবা মীওই অমা নোংলৈ নুংশিৎ মনুংদা শিখি। থাংজ নুমিৎকী নুংথিল অথেঙবদা টোর্নেদো অদুনা কাউন্টি অদুদা শিৎচিল্লকখিবা মতিক ময়াইগী চাং অদু য়ামদ্রবদা ইএফ ৩ ওইখি। ইএফ ৩ টোর্নেদোগী নুংশিৎকী খোঙজেল অসি পুংদা কিলোমিটর ২১৮ অমসুং ২৬৬ কী মরক্তা লৈ।

আইওৱাগী গভর্নর কিম রিনোল্ডসনা ফোঙদোরকখিবদা নোংমাইজিং নুমিত্তা মাদিসন কাউন্টিদা মহাক্না লোকেল লিদরশিংগা লোয়ননা অমাঙ অতা থোক্লিবা মফমশিং য়েংশিনখি। শাথিরবা নুংশিৎ অদুনা মাঙ তাকহল্লম্বশিং মফম অদুদা উরকপসি থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওই। থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তগীনা নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা আইওৱা রিজনদা শাথিরবা নোংলৈ নুংশিৎশিং শিৎলক্কনি হায়না মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোরকাষ্ট তৌখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা অরকন্সাসকী মফম খরা, ওক্লোহোমাগী খা নোংপোক থংবা শরুক অমদি মিসৌরিগী খা থংবা শরুক্তা টোর্নেদো য়ৌরক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌখি। ইনহেন্স ফুজিটাল (ইএফ) স্কেল অসিনা য়ুএস অমসুং কানাদা য়াওনা লৈবাক খরদা টোর্নেদোশিংগী কনবগী চাং লেপ্পী হায়রি।

# নন-নাটো মোদেল খন্নরগনি

কিভ, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):
নাটো লৈবাকশিংনা হৌজিক য়ুক্রেনবু ওর্গনাইজেসন অসিদা য়ৌহনবগী ৱাফম খন্ননবা শেম শাবা লৈতবনা কিভনা নন-নাটো মোদেল খরা খন্ননবা শেম শারি হায়না য়ুক্রেনগী ওফিসিএল অমনা ফোঙদোরক্লি।

রসিয়াগা ৱারী শান্নগদৌরিবা য়ুক্রেনিয়ন দেলিগেসনগী মেম্বর দেবিদ অরাখামিয়াগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ঐখোয়না নাটো লৈবাকশিংদগী ফঙলিবা রেস্পোন্সতি মখোয় য়ুক্রেনবু নাটোদা য়াওহনবগী ৱাফম অসি খন্ননবা ফাওবা শেম শাদ্রি হায়বসিনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা তেল্লবদা চহী ৫-১০ ফাওবদি মখোয়না য়ুক্রেনবু ওর্গনাইজেসন অসি য়াওবগী ৱাফম খন্নবা পামদে।

ঐখোয়না নাটোদা য়াওনবা প্রোসেস তৌনবগীদমক্তা লান শোক্লরোই। ঐখোয়না শোক্লগদৌরিবা লানদি ঐখোয়গী অপাম্বা পান্দম ফঙনবনি। ওর্গনাইজেসন অসিদা য়াওনবগী নত্তে। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ঐখোয়না নন-নাটো মোদেল খরা খন্ননবা শেম শারে। অসিগুম্বা ৱাফম অসি ঐখোয়না খরা চাওবা সার্কলদা পার্টনরশিংগা খন্ন নৈনবা পাম্মী।

পনবা য়াবদি, হৌজিক লান শোক্লরিঙৈ মনুং অসিদা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৩ দা ৱারী অনী শানখ্রে। নিংথৌকাবগী অথেংবদা অহুমশুবা রাউন্দগী নেগোসিয়েসন চথরবা য়াই।

ইহান হানবা নেগোসিয়েসন রাউন্দদা নাকল অনীগী দেলিগেসনশিংনা ৱারী শান্নবদা য়ান্নবা অমত্তা পুরকপা ঙমদনা লোইশিনখি। অনীশুবা রাউন্দ অদুনা মখা তানা ৱারী শান্নবগী ৱাফম য়ানখি।

# সাউথ কোরিয়াদা প্রসিদেন্সিএল মীখলগীদমক সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎখ্রে

সিওল মার্চ ০৭ (এজেন্সী):
য়ুমশকৈশ নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াদা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা লৈবাক অসিগী পুলিসনা লৈবাক শিন থুংবদা লৈরিবা পোল্লিং অমসুং কাউন্টিং ষ্টেসনশিংগী সেক্যুরিটিগীদমক পুন্না পার্সনেল ৬৮,৭৮৬ দিপ্লোই তৌগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা ওফিসিএলশিং অদুগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, পুলিসনা ইলেক্সন নুমিত্তা ইন্মর্জেন্সিগী ফিভমগীদমক শেম শাবা ওইনা হেন্না মীকুপ নাহুমশিংনা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন ১৪,৪৬৪ অমসুং বেল্লোট কাউন্টিং ষ্টেসন ২৫১ দা পার্সনেলশিংসু দিপ্লোই তৌগনি।

পুলিসনা কন্টিনজেন্সিশিং লাকপা মতমদা রেস্পোন্স তৌনবা পোল্লিং মফমশিং অমসুং পুলিস ষ্টেসনশিংগী মরক্তা হোটলাইনশিংসু লিংনবা থৌরাং তৌরি। মসিগা লোয়ননা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা পুং অমদা ভোটিং ষ্টেসনশিংদা অমুমুক পেট্রোল তৌগনি অমসুং কোভিদ ১৯ পেসেন্টশিংনা ভোট থাদনগদবা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ অমসুং পুং ৭.৩০ গী মরক্তনা পুং খুদিংগী অনীরক পেট্রোল তৌগনি।

খুৎলায় পায়বা পুলিস ওফিসারশিংনা নেসনেল ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসিএলশিংনা বেল্লোট বোক্সশিং কাউন্টিং ষ্টেসনশিংদা পুবদা এস্কোর্টসু পীগনি। সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন অসিদা মীওই মিলিয়ন ৪৪ হেন্না ভোট থাদবা য়াই।

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION,
MANIPUR.

[illegible]/ NOTIFICATION
Imphal, the 7th March, 2022.

No. 2/61/97-HSC: It is, hereby, notified for information to all concerned Principals/Principal in Charges/Heads of the institution that as per Council Resolution No. 4.1.2 dated 2-3-2022 the ensuing Higher Secondary Examination, 2022 shall be conducted at the Venues/Centres listed in the Annexure.

All the concerned are requested to take up necessary steps at their end to make the examination venue/centre ready and fit for the smooth conduct of the examination amidst the Covid pandemic for the welfare of the students.

Further, no Principal/Principal in Charge/Head of institution shall be allowed to leave the institution to avoid any unwarranted incidents during the examination except on medical ground.

The detailed list of constituent institutions for each of the Examination Venue/Centre shall be announced later on.

*Sd/- ( Ch. Biren Singh )*
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn.,Manipur.

*ANNEXURE*

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR
LIST OF EXAMINATION CENTRES/VENUES
FOR THE HIGHER SECONDARY EXAMINATION, 2022

| Sl. No. | Name of Examination Centre/Venue |
|---|---|
| | DISTRICT: IMPHAL EAST AND WEST |
| 1 | ACCENT GIRLS ACADEMY, SAGOLBAND |
| 2 | ANANDA SINGH HR. SEC. ACADEMY, IMPHAL |
| 3 | BRILLIANCE SCHOOL, MALOM TULIHAL |
| 4 | C.C. HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL |
| 5 | COMET SCHOOL,CHANGANGEI, UCHECKON |
| 6 | COMPREHENSIVE CONCEPT SCHOOL |
| 7 | DON BOSCO HR SEC SCHOOL CHINGMEIRONG |
| 8 | EMMANUEL ENGLISH ACADEMY, YAINGANGPOKPI |
| 9 | HERBERT SCHOOL,CHANGANGEI AIRPORT ROAD, IMPHAL |
| 10 | HERITAGE CONVENT, URIPOK |
| 11 | HUMAN RESOURCE DEVELOPMENT ACADEMY, GHARI. |
| 12 | IBOTONSANA GIRLS' HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL |
| 13 | IMPHAL PUBLIC SCHOOL, CANCHIPUR |
| 14 | IMPHAL VALLEY ACADEMY, GHARI |
| 15 | INTERNATIONAL SCHOOL OF RESOURCES, CANCHIPUR |
| 16 | JOHNSTONE HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL |
| 17 | KAMAKHYA PEMTON COLLEGE, HIYANGTHANG |
| 18 | LAMLAI HR SEC SCHOOL, LAMLAI |
| 19 | LAMLONG HR. SEC. SCHOOL, LAMLONG |
| 20 | LITTLE MASTER ENGLISH HR. SEC. SCHOOL, SAMUROU. |
| 21 | MANIPUR EDUCATIONAL MISSION HR. SEC. SCHOOL. SANGAIPROU. |
| 22 | MECI EXPLORER ACADEMY, CHANGANGEI, UCHECKON, IMPHAL WEST |
| 23 | MEKOLA GULAP HR. SEC. SCHOOL, MEKOLA |
| 24 | MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES, KWAKEITHEL MAYAIKOIBI |
| 25 | MODEL HR. SEC. SCHOOL, TAKYEL, IMPHAL. |
| 26 | N TOMCHOU HR SEC SCHOOL, MAYANG IMPHAL |
| 27 | NAOREM BIRAHARI COLLEGE, KHUNDRAKPAM. |
| 28 | NG MANI COLLEGE, CHAIRENTHONGKHONG KHURAI |
| 29 | NILAPADMA HR SEC SCHOOL, SEKMAI |
| 30 | AZAD HR. SEC. SCHOOL, YAIRIPOK |
| 31 | LILONG HR. SEC. SCHOOL, LILONG |
| 32 | MOIRANGPUREL PANAM HR SEC SCHOOL |
| 33 | PARI IMOM KHWAI SHINDAM SHANG, PANGEI |
| 34 | PIONEER ACADEMY, BAMON KAMPU. |
| 35 | PRAJA HR SEC SCHOOL, LAMSANG |
| 36 | PRAVABATI COLLEGE , MAYANG IMPHAL. |
| 37 | RAMLAL PAUL HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL |
| 38 | RECENT HR. SEC. SCHOOL, SAGOLTONGBA. |
| 39 | REGIONAL COLLEGE , LILONG CHAJING |
| 40 | ROYAL ACADEMY OF SCIENCE, GANGAPAT, KONGBA |
| 41 | SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL, POROMPAT |
| 42 | SANGAI HR. SEC. SCHOOL, MANTRIPUKHRI |
| 43 | SAVIO ENGLISH HIGHER SECONDARY SCHOOL, LAMPHEL |
| 44 | ST JOSEPH HR SEC SCHOOL, IMPHAL |
| 45 | STANDARD ROBARTH HR.SEC.SCHOOL, CANCHIPUR |
| 46 | T.G. HR. SEC. SCHOOL(B), IMPHAL |
| 47 | TEMPLE OF LEARNING, CANCHIPUR |
| 48 | TINY TOTS' UNIQUE SCHOOL, DEWLAHLAND, IMPHAL |
| 49 | WANGOI HR. SEC. SCHOOL, WANGOI |
| 50 | XTRA EDGE SCHOOL, GHARI. |
| | DISTRICT: BISHNUPUR |
| 51 | ADVANCE INTERMEDIATE COLLEGE, MOIRANG |
| 52 | BISHNUPUR HR. SEC. SCHOOL, BISHNUPUR |
| 53 | KUMBI COLLEGE, KUMBI |
| 54 | MANGOLNGANBI COLLEGE, NINGTHOUKHONG. |
| 55 | MOIRANG MULTIPURPOSE HR SEC SCHOOL |
| 56 | NAMBOL HR SEC SCHOOL, NAMBOL |
| 57 | NINGTHOUKHONG HIGHER SECONDARY SCHOOL, NINGTHOUKHONG |
| 58 | OINAM GOVT. HR SEC SCHOOL, OINAM |
| 59 | SPECIAL REGULAR ENGLISH SCHOOL , NAMBOL |
| 60 | UNACCO SCHOOL, EDUCATION WITH EXCELLENCE, UTLOU |
| | DISTRICT: KAKCHING |
| 61 | KAKCHING HR. SEC. SCHOOL |
| 62 | KAKCHING KHUNOU COLLEGE, UMATHEL |
| 63 | LANGMEIDONG HIGHER SECONDARY SCHOOL |
| 64 | PADMA RATNAENGLISH SCHOOL, KAKCHING WAIRI |
| 65 | POLE STAR COLLEGE, WABAGAI. |
| 66 | SUGNU HR. SEC. SCHOOL, SUGNU |
| | DISTRICT: THOUBAL |
| 67 | ACME HIGHER SECONDARY SCHOOL, YAIRIPOK |
| 68 | ANANDA PURNA SCHOOL OF SCIENCES, THOUBAL |
| 69 | CHAOYAIMA HR. SEC. SCHOOL, THOUBAL |
| 70 | FANCIER HIGHER SECONDARY SCHOOL, THOUBAL |
| 71 | HEIROK HR SEC SCHOOL HEIROK |
| 72 | KHONGJOM STANDARD ENGLISH SCHOOL, KHONGJOM |
| 73 | KM BLOOMING HR SEC SCHOOL KHANGABOK |
| 74 | LITTLE STAR ENGLISH HR. SEC. SCHOOL, THOUBAL HAOKHA |
| 75 | NEW ERA HIGHER SECONDARY SCHOOL, THOUBAL |
| 76 | ROYAL ACADEMY, WANGJING |
| 77 | VISION CREATIVE SCHOOL OF SCIENCE, THOUBAL OKRAM |
| 78 | WAIKHOM MANI GIRLS COLLEGE, THOUBAL |
| 79 | YAIRIPOK UNIVERSAL COLLEGE, YAIRIPOK |

HL/B/7522/8

Contd. on Page 9